# কেরলাদা আইএএফ, নেভি, এনদিআরএফনা মী কনবগী অঙকপা থবকশিং চথরি, য়ূমথক্তগী অঙাং কনখ্রে



***অলাপ্পুঝা, আগষ্ট ১৯ ঃ*** চহী ১০০ গী মনুংদা খ্বাইদগী শাথিবা ঈচাও মায়োক্লবা অমসুং হৌজিক ফাওবদা মীওই ৩৮০ রোম শিখ্রবা কেরলা ঈচাওদা অৱাবা তারবা মীওইশিংবু ইন্দিয়ান এয়ারফোর্স, নেভি অমসুং এন দি আর এফ না শিবা-চঙবা খঙদনা অঙকপা মওংদা মী কনবগী থবক চথরি। ঙসিসু অঙকপা রেস্ক্যু ওপরেসন অমদা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্স পার্সোন্নেলনা ষ্টেট অসিগী অলাপ্পুঝাদা পীল্লিবা অঙাং নুপামচা অমা ঈশিংনা থুল্লবা য়ূমগী য়ূমথক্তা লৈরন্নদগী কনখ্রে।

ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা অলাপ্পুঝাদা ঈশিং-ঈচাওনা থুল্লবা য়ূম অমগী য়ূমথক্তা পীল্লবা অঙাং নুপামচা অমনা মশাদা করিমত্তা খঙজদনা কুন্দুনা চৎপদু ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী পার্সোন্নেল অমনা উখি।

খজিক্তং শোয়খিবদা অপীকপা অঙাং অদু ঈশিং ঈচাও অদুদা নাম্থখিদুনা শোয়দনমক শিরমগদবনি অদুবু মতাং চানা থেংনহৌদুনা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী গরুর স্পিসিয়েল ফোর্সকী ৱিং কম্মান্দর প্রসান্থনা হেলিকোপ্টরদগী থৌরিদা কুমথরগা অপীকপা অঙাং অদুবু লৌখৎখি অমসুং নুংশিরবা অঙাং অদুগী পুন্সি কনখি।

শাথিরবা ঈশিং-ঈচাও মরক্তা থোকপা ঙমদনা লৈখ্রবা, খুদোংথিবা তারবা মীওই কয়াবু আই এ এফ, নেভি অমসুং এন দি আর এফ (নেস্নেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স) কী পার্সোনেল অমনা ওইথোক্লিংঙাই লৈররোইদবা মানবা রেস্ক্যু ওপরেসন কয়া চথদুনা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মীওই কয়ামরুমগী পুন্সি কনখ্রে।

ঙসি অয়ুক অঙনবদা ঈশিংনা থুমজিনখ্রবা য়ূমথক্তগী আই এ এফ না কনখ্রবা অঙাং নুপামচা অদু হান্ননা কনখ্রবা মহাক্কী মমাদা শীন্নখ্রে।

মসিগী মমাঙদা অহিং চূপ্পা চথখিবা রেস্ক্যু ওপরেসন অমদা কোষ্ট গার্দ অমসুং আর্মি পার্সোন্নেলনা ইরাই নুমিত্তা ইদুক্কি দাম মনাক্তা নৌনা পোকপা অঙাং অমগা মহাক্কী মমাগা কনখি।

রেস্ক্যু টিম অদুগীলুচিংখিবা ওফিসার অদুনা পাউগী এজেন্সিদা ফোঙদোকপদা দাম এরিয়া অদুদা ঈশিংগী ঈমায় অমুক্কা হেন্না হেনগৎলকখ্রে হায়না মুম্বাই কোষ্ট গার্দতগী টেলিফোন কোল অমা ফংবদগী ওপরেসন অদু হৌখিবনি হায়খি।

মুম্বাইদা লৈবা কোষ্ট গার্দ ওফিসতগী টেলিফোন তৌরক্তুনা খুদোংথিবা থাক্কী মথক্তা ঈশিং ঈচেল অমা দাম অদুগী মনাক্তা খ্বাইদগী হৈ শিংবা টিম থারক্লবা খঙহল্লকখিবা মতম অদুদা ঐখোয় কোচিদা চয়োলগী কম্মান্দরস কনফরেন্স তৌদুনা লৈবা মতমনি হায়না লেপ্টিনেল কর্নেল শচিকান্ট ৱাঘমোদেনা হায়খি।

হৌজিক রেস্ক্যু ওপরেসনশিং অয়ূক নুমিদাং খাক্তুনা অরুবা ফিভমদা চথরি। নোং লেপ্তুনা চুবনা লোয়ননা ময়েক শেংনা উবা ঙমদবগী ফিভমদা চখোক চৎশিন খুদোংচাদবা মফমদা ওপরেসনশিং অসি চথরি মসিগী মথক্তা তুরেলশিং অমসুং মসিগী মশা তুরেলশিংনা তোৰ্ব্বান পাথোক্তুনা অকনবা ঈরৈগা লোয়ননা চেনবনা রেস্ক্যু টিমশিং অসি অমুক্কা হেন্না খুদোংথিবা মায়োক্লরি।

প্লেন ৯০ অমসুং মোতোরবোট ৫০০ হেনবগা লোয়ননা রেস্ক্যু টিম চা-কয়ানা কেরলাদা পাক-শন্না রিলিফ ওপরেসনশিং চথরি।

ঙরাং থাংজ নুমিত্তা নেস্নেল ক্রাইসিস মেনেজমেন্ট কম্মিটি (এন সি এম সি) না নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা অহুম্নক শুবা ওইনা মীফম পাঙথোকখ্রে অমসুং অৱা তেংবাঙ চথরিবা থবকশিং অমুক হন্না য়েংশিনখ্রে।


রেস্ক্যু টিমশিং, মোতোরবোটশিং, হেলিকোপ্টরশিং, লাইফ্ট জেকেটশিং, ফুদ দিষ্ট্রিব্যুসন, ৱাতর অমসুং মেদিসিনগী থবক্কী চাং অদুগী মতাংদা কেরলাগী চীফ সেক্রেটরীগা কেবিনেট সেক্রেটরী পি কে সিনহগা ভিডিও কনফরেন্সিং অমা পাঙথোকখি। কেবিনেট সেক্রেটরীনা ঙসিমক আই এ এফ অমসুং নেভিগী হেলিকোপ্টর ৫ অমগসু কেরলাদা থানবা খঙহনখি।

সেন্টরনা নিংথৌকাবা ফাওবগী মনুংদা কম্মর্সিয়েল ফ্লাইটশিং থবক তৌনবা কোচিদা লৈবা নেভেল এয়ারষ্ট্রিপ অদু থবক তৌবা য়াবা ওইহন্নবা ৱারেপ লৌখ্রে। ঈচাওনা শোকহল্লবা মফমশিংদা পৱার অমসুং কম্যুনিকেসন লাইনশিং অমুক হন্না থন্নবা গভর্ণমেন্টনা হোৎনরি।

কেরলাগী গভর্ণর অমসুং চীফ মিনিষ্টরদা ঈচাওগী ফিভম মতাংদা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দনা হংলকখ্রে অমসুং লৈবাক পূম্বসিনা মখোয়গীদমক লেপ্পি হায়না ষ্টেট অদুদা থাজবা পীরকখ্রে।

# ইম্রান খানগী মেম্বর ২১ গী কেবিনেট লাওথোকখ্রে

***ইস্লামাবাদ, আগষ্ট ১৯ ঃ*** অনৌবা পাকিস্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইম্রান খানগা হান্নগী মিলিটরি দিক্তেতর জেনরেল (রিটয়ার) পর্ভেজ মুসারফকী রেজিম মতমদা মরু ওইবা ফমশিং পায়বনা অয়াম্বা ওইবা মেম্বর ২১ না শাবা মাগী কেবিনেট লাওথোকখ্রে।



লাওথোখিবা মমিং ২১ অসিগী মনুংদা ১৬ না মিনিষ্টরনি অদুগা ৫ না প্রাইম মিনিষ্টরগী এদভাইজর ওইনা মথৌ পাঙথোক্কনি হায়না পি টি আই গী ৱাঙাংলোই ফাৱাদ চৌধ্রিনা ঙরাং হায়খি।

লিষ্ট অসিগী মতুং ইন্না শাহ মহমূদ কুরেশিনা ফোরেন মিনিষ্টর, প্রভাইজ খত্তকনা দিফেন্স মিনিষ্টর অমসুং অসাদ উমেরনা ফাইনান্স মিনিষ্টরনি।

পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওইরবা শাহ মহমূদ কুরেশিদি পাকিস্টান পিপলস পার্টি গভর্ণমেন্টকী মখাদা ২০০৮ তগী ২০১১ ফাওবা ফোরেন মিনিষ্টর ওইরম্মী। ফাইনান্স মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা অসাদ উমর অসি ইন্দিয়াগা শোক্লবা ১৯৭১ গী লাল অদুদা পাকিস্টান আর্মিগী লেপ্টিনেল জেনরেল ওইখিবা মোহমদ উমেরগী মচানুপানি।

দিফেন্স মিনিষ্টর ওইগদৌরিবা পর্ভেইজ খত্তকনা ২০১৩ দগী ২০১৮ ফাওবা খাইবর-পাখতুনখৱা প্রোভিন্সকী চীফ মিনিষ্টর ওইরমখি।

ইম্রান খানগী কেবিনেটকী য়ামদ্রবদা মেম্বর ১২ মিলিটরি দিক্তেতর মুসারফকী মখাদা মরু ওইবা ফম পায়রম্বা ঙাক্তনি। কেবিনেট অসিদা মুসারফকী হান্নগী ৱাঙাংলোই ওইবা অমা, মহাক্কী এত্তোর্নি অমসুং মহাক্কী কেবিনেট অমসুং কোর টিমগী মেম্বর কয়া য়াওরি হায়না 'দ ন্যুজ' গী পাউনা হায়রি।

হৌজিক রেলৱে মিনিষ্টর ওইনা হাপ্লবা রাৱালপিন্দিদগী শৈখ রশিদ মুসারফকী রেজিমদা পোর্টফোলিও অসিমক পায়খিবনি। কেবিনেট অসিদা শিরীন মাজারি, জুবাইদা জালাল অমসুং ফেহমিদা মিৰ্জা কৌবা নুপী অহুম য়াওরি।

মিনিষ্টরগী থাক্তা লৈবা এদভাইজর ৫ অদুগী মনুংদা হান্নগী বেঙ্কর ইশ্রাট হুসেন, ব্যুজিনেসমেন অব্দুল রাজাক তাৱূদ অমসুং বাবর অৱান য়াওরি।

পাকিস্টানগী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মতুং ইন্না ফেদরেল কেবিনেটকী সাইজ অসি নেস্নেল এসেম্বলি অমসুং সিনেটকী অপুনবা ষ্ট্রেঙ্গকী চাদা ১১ দগী হেনবা য়াদে।

কুমজা ১৯৪৭ তা পাকিস্টান্না নীংতম্বা ফংলবা মতূংদগী লৈবাক অসিগী ইতিহাসকী তঙ্খাই অমরোমদি তোঙান তোঙানবা কূগী খুখাংদা লৈবাকসিগী শক্তি লৈরবা মিলিটরিনা লৈঙাক পায়দুনা লৈখি।

কুমজা ১৯৯৯ দা জেনরেল মুসারফনা ঈ তাদবা কু অমা চখ্দুনা লৈঙাক পায়শিনখি। কুমজা ২০০১ দগী ২০০৮ ফাওবা মিলিটরি দিক্তেতর অসিনা প্রসিদেন্ট ওইনা লৈঙাক পায়রবা তুংদা ২০০৮ তা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা লাওথোকখি অদুগী মতুংদগী ইম্রান খানগী অনৌবা গভর্ণমেন্ট অসি লৈবাক অসিদা থংন-থংননা অহুমশুবা দিমোক্রেটিক গভর্ণমেন্টনি।

# ন্যুক্লিয়ার দিল কন্নবা য়ুরোপনা 'মমল' পীগদবনি ঃ ইরান

***তেহরান, আগষ্ট ১৯ ঃ*** ন্যুক্লিয়ার দিল অদু কন্ননবা হোৎনবদা ৱাসিংতনগী মৱা লৌখিদবগী মমল অদু পীননবা য়ুরোপকী লৈবাকশিংনা মখোয়গী অনীংবা হৌজিক ফাওবা উত্তে হায়না ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর মোহম্মদ জাবাদ জারিফনা হায়খ্রে।



নভেম্বর থাদা য়ু এস সেঙ্কসনশিংগী অনীশুবা তাঙ্কক অমুক হন্না থমজিল্লকখিবা অদুগী মতুংদা য়ুরোপকী গভর্ণমেন্টশিংনা ইরানগা ওইল অমসুং বেঙ্কিং মরীশিং হান্নগী ফিভমদা অদুম থন্নবা ৱাফমশিং হৌদোক্লকখি হায়না ফোরেন মিনিষ্টরনা হায়খি।

অদুবু য়ং জর্নেলিষ্ট ক্লব ৱেবসাইটতা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর জারিফনা ফোঙদোকখিবদা খোঙথাংশিং অসি থবক ওইনা পাঙথোকপদগীদি মখোয়গী ফিরেপ উৎপা ষ্টেটমেন্ট অমা ওইবনা হেল্লি হায়খি।

মখোয়না ৱাফমশিং অদু হৌদোক্লদুনা মাঙদা চোংথোরক্লবসু য়ু এস পু তশেংনা য়াখিদবা অদুগী মমল পীননবা য়ুরোপনা হৌজিক ফাওবা থৌরাং তৌদে হায়বসি ঐখোয়না থাজে হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌখিবা মে থাদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ২০১৫ ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদগী তোকখি। অদুগা ইরানগা লল্লোন ঈতিক তৌনবদগী লৈবাকশিংবু অথিংবা থমজিনবা সেঙ্কসনশিং থা অসিগী অঙনবদগী অমুক্কা হন্না থমজিল্লকখি।

ইরানগী মরু ওইরবা ওইল ইন্দষ্ট্রি অমসুং বেঙ্কিংগী লৈনবা মরীশিং নভেম্বর ৫ দগী অমুক হন্না থমজিন্নবগী পান্দমদা য়ু এস না অনীশুবা তাঙ্কক্কী সেঙ্কসনশিং থৌরাং তৌরি।

ন্যুক্লিয়ার দিল অদুদগী য়ুরোপতা ফংলিবা ইনোনোমিক বিনিফিটশিং অদু ইরানদা মখা তানা পীগনি ৱাকখি। অদুবু য়ু এস না পীরক্কদবা চৈরাকশিং কিবগীদমক য়ুরোপকী ফনা চাওবা কম্পেনি কয়ানা লৈবাক অসিদগী হান্ননা হন্দোকখ্রে।

করিগুম্বা থবক ওইনা চখবা থৌরাংশিং লোইনরবদি য়ুরোপকী পোলিটিকেলগী ওইবা অনীংবা অদুদা ইরাননসু পাউখুম পীগনি হায়না জারিফনা হায়খি।

য়ুরোপিয়ানশিংনা জে সি পি ও এ (ন্যুক্লিয়ার দিল) অদু মখোয়গীদমক সেক্যুরিরিট এচিভমেন্ট অমনি হায়রি। মরম অদুনা মশানা তানা লৈবাক খুদিংমক অসিনা মসিগী সেক্যুরিটিগীদমক শোয়দনমক ইনভেষ্ট তৌগদবনি অমসুং মমল অদু পীগদবনি। লাক্কদৌরিবা থাখরা অসিগী মনুংদা মখোয়দা মমল অসি পীবা অদু ঐখোয়না শোয়দনমক উরগনি।

# ইরানমা অনৌবা ফাইটর জেট মায়খুম হাংদোক্লগনি

***তেহরান, আগষ্ট ১৯ ঃ*** ইজরেল অমসুং য়ু এস তগী পীরক্লিবা কিহনবশিং থেংনবা ঙম্ননবা ইরানমা চয়োল অসিগী মনুংদা অনৌবা জেট ফাইটর অমা মায়খুম হাংদোক্লগনি অমসুং মখোয়গী মিসাইল দিফেন্সশিং হান্নদগী ফগৎহল্লগনি হায়না লৈবাক অসিগী দিফেন্স মিনিষ্টরগী ৱাফম পল্লদুনা ঙসি তাসনিম ন্যুজ এজেন্সিদা হায়খ্রে।

ঐখোয়গী অহানবা মরু ওইবা থবক্তি ঐখোয়গী মিসাইল কেপাবিলিটিদি অমসুং য়েক্লবগী মিসাইল দিফেন্সকীদমক লৌখৎলিবা খোঙথাংশিং অদু য়েংলগা ঐখোয়না মসি শোয়দনমক হেন্না কনখৎহনগদবনি হায়না থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা টেলিভিজনদা পীবা ইন্টরভিউ অমদা দিফেন্স মিনিষ্টর অমির হাতামিনা হায়খি।

য়ূমশকৈশা নুমিত্তা থোক্লিবা নেস্নেল দিফেন্স ইন্দষ্ট্রি দেদা অনৌবা ফাইটর জেট অমা পাইগনি হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

দিফেন্স মিনিষ্টর হাতামিনা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ১৯৮০ গী চহীশিংদা ইরাক্না শোক্লখিবা চহী ৮ গী লানদা ইরান্না খুদোংথিবা মায়োক্লখিবা মিসাইল এটেকশিং অদু নীংশিংবদগী দিফেন্স প্রোগ্রাম অসিগী ৱাখল পোক্লকখিবনি। মদুদসু নত্তনা ইস্লামিক রিপব্লিক অসিগা থেংননবা মখল পুন্নমক্কী থবক মখূৎতা লৈরে হায়না ইজরেল অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতগী হন্না হন্না কিহল্লক্লিবা অসিনসু দিফেন্স প্রোগ্রাম অসি তঙাই ফদনা পায়খৎপনি হায়খি।

ঐখোয়না কনামত্তগী মতেংদা থাজদুনা লৈবা য়ারোই। ঐখোয় ইশামক্না তৌজগদবনি হায়বসি ইরান-ইরাক ৱার অদুদগী ঐখোয়না পারা তমহৌরে। ঐখোয়গী তৌবা ঙম্বা লৈত্রবদি কনামত্তনা ঐখোয়দা ঙাকপীরোই হায়বা ঐখোয়না উখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা থোকপা থৌদোকশিংদা য়ামদ্রবদা টেরোরিষ্ট ৪ অমসুং ইন্দিয়াগী লান্মী ১ শিখ্রে

***শ্রীনগর, আগষ্ট ১৯ ঃ*** জম্মু এন্দ কাশ্মীর ষ্টেটকী মনুংদা লৈরিবা লাইন ওফ কন্ট্রোল পরীংদা পাকিস্টানগী নাকল্লোমদগী মিলিটেন্টশিংনা লোন্না চঙশিল্লক্তুনা লৈবাক্কী মায়োক্তা থবক তৌনবা হোৎনরকপা লেপ্তুনা মখা চথরক্লি।



মিলিটেন্টশিং অসিগী মখা চথরকপা থৌদোক অমা ওইনা ঙসি নোংমাইজিং নুমিত্তা ষ্টেট অসিগী বারামুল্লা দিষ্ট্রিক্টতা পাকিস্টানলোমদগী ঙমখৈ লান্না চঙশিন্নবা হোৎনরকপা থৌদোক অমা ইন্দিয়াগী সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থুগাইখিবগা লোয়ননা ঙসি টেরোরিষ্ট অমা কাপ্পুনা হাৎখ্রে।

থৌদোক অসি লাইন ওফ কন্ট্রোল পরীংগী মনাক্তা লৈবা কষ্টুরি নার এরিয়াদা থোকখিবনি। সেক্যুরিটি ফোর্সকী ওপরেসন অদু হৌজিকসু মখা চথরি হায়রি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী কোনুং শ্রীনগরদা লৈবা দিফেন্সকী ৱাঙাংলোই কর্নেল রাজেশ কালিয়ানা ফোঙদোরকপদা বারামুল্লাগী কষ্টুরি নার-দা এল ও সি পরীংদা লোন্না চঙশিন্নবা টেরোরিষ্টশিংগী থৌরাং অমা থুগাইখ্রে হায়খি।

থৌদোক অসি জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী তাঙ্গধার সেক্টরদা টেরোরিষ্টশিংনা ইন্দিয়া ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা টেরোরিষ্ট অহুম কাপ্পুনা হাৎখিবা অদুগী নোংমগী মতূংদা থোকখিবনি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পুলিস ওফিসিয়েল অমনা ফোঙদোকপদা তাঙ্গধার সেক্টরগী এল ও সি পরীংদা লোন্না লানশিন্নবা হোৎনরকপা টেরোরিষ্টশিংগী থৌরাং অমা আর্মিনা থুগাইখ্রে অমসুং টেরোরিষ্ট অহুম হাৎখ্রে হায়খি।

সেক্টর অদু অৱাং থংবা কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবনি। হৌজিক ফাওবা মফম অদুদা থিবা-হুম্বগী থবক চথরি হায়খি। মখা তাবা অকূপ্পা পাউ ঙাইহরি।

জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী দাইরেক্তোরেট জেনরেল এস পি বাইদনসু আর্মিনা টেরোরিষ্ট অহুম হাৎখি হায়বা ৱাফম অদু চুম্মী হায়খি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ঙরাং থাংজ নুমিত্তা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা লেন্দমাইন অমা পোকখাইবগী থৌদোক্তা ইন্দিয়াগী লান্মী অমা শিখ্রে হায়না পুলিসনা হায়খি।

আর্মি টিম অমনা চাং নাইনা চৎপা পেট্রোলিংগী খোঙচৎ অমদা গুলাব পোষ্টকী মনাক্তা লেন্দমাইন পোকখাইবদগী খুদোংথিবা অদু নংখিবনি হায়না পুলিসনা হায়খি।

লেন্দমাইন পোকখাইবা অদুদা রাইফলমেন দলবির সিংহ কৌবা অমা শোকখি। মহাক লায়কন্ননবা আর্মিগী হোস্পিটাল অমদা পুখি। অদুবু মহাক্কী ফিভম থিনা শোকপা অদুনা মরম ওইরদুনা লৈখিদ্রে হায়না পুলিসনা হায়খি।

# গাওরব যাত্রাগী শেনজঙগী মরোল পীনবা হায় কোর্টনা বি জে পি দা খঙহনখ্রে

***জয়পুর, আগষ্ট ১৯ ঃ*** রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর বসুধারা রাজেগী লুচিং মখাদা পাঙথোক্লিবা রাজস্থান গাওরব যাত্রাদা চঙলিবা শেনফমশিং অদুগী অকুপ্পা মরোলগা লোয়ননা এফিদেভিট অমা থাগৎলক্কবা রাজস্থান হায় কোর্টনা ঙরাং লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি দা খঙহনখ্রে।

কোর্ট অসিনা মথংগী হিয়ারিংগী নুমিৎ আগষ্ট ২০ দা লেপখ্রে অমসুং দোকুমেন্টশিংগা লোয়ননা কোর্ট অসিদা লাক্লবা বি জে পি পার্টি ওফিসিয়েলশিংদা য়াথং পীখ্রে।

গাওরব যাত্রা পাঙথোক্লবগী থৌরাংশিং তৌনবগীদমক টেন্দরশিং ফোঙনবা পব্লিক ৱার্ক্স দিপার্টমেন্টতা আগষ্ট ১ দা থোকখিবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী ওর্দর অদুগী মায়োক্তা ৱাহং হংলদুনা পেটিসনর এদভোকেট বিভূতি ভুসন শর্ম্মনা হন্দক্তা কোর্ট অসিদা পি আই এল অমা থাঙ্গৎখিবনি।

পেটিসন অসিনা যাত্রা অদুগী মনুংদা গভর্ণমেন্টনা শেন চাদিং তৌবশিং অদু চেক অমা তৌবা পাম্মী। পি আই এল অদু রাজস্থান হায় কোর্টকী চীফ জষ্টিস প্রদীপ নন্দ্রজোগনা আগষ্ট ১০ দা কোর্ট অসিদা লৌখৎখি।

কোর্টনা ষ্টেট বি জে পি প্রসিদেন্ট মদন লাল সাইনিদা আগষ্ট ১৬ ফাওবগী মনুংদা মাগী পার্টিগী ফিরেপ থাগৎলক্কবা খঙহনখি। অদুম ওইনমক নুমিৎ অদুদা বি জে পি গী উকিল লাকখিদবদগী হিয়ারিং অদু ঙরাং থাংজ নুমিত্তা পাঙথোকখিবনি।

# গেং মেম্বরশিংনা 'ইমা' হায়না কৌনবা কিনিংঙাই ওইরবা নুপী ক্রিমিনেল ১ দিল্লিগী সঙ্গম বিহারদগী ফারে

***ন্যু দিল্লি, আগষ্ট ১৯ ঃ*** ক্রাইম ১১৩ দা চেন্নবা অমসুং দিল্লিদা খ্বাইদগী শাথিবী নুপী ক্রিমিনেল ৫ গী মনুংদা অমা ওইরিবী নুপী গেংষ্টর অমা ঙরাং থাংজগী অঙনবদা দিল্লি পুলিসনা ফাবা ঙম্লে হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখ্রে।

মীয়ান্না কিনরবী গেংষ্টর নুপী অসি বাসিরাম কৌই। মশাগী চহী ৬৬ শুরে মাগী গেং মেম্বরশিংনা মহাকপু ইমা হায়না কৌনৈ। মী হাৎপা, খুনেক্তা মী হাৎপা, রোবরি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক য়োনবা অমসুং পোৎ-চৈ মুনবনচিংবা মখল-মখা কয়াগী তমথিবা ক্রাইমশিংদা মহাক্কা লোয়ননা মাগী মচানুপা ৮ সু য়াওরি।

চহী ৪৫ রোমগী মমাঙদা রাজস্থানদা লৈবা মাগী ময়ূমদগী বাসিরামনা খা দিল্লিদা হোংলকখি অমসুং স্লম এরিয়াশিংদা য়ুনচিংবা য়োনবা হৌখি লোয়ননা মীগী মপোৎ-মচৈ লাকপা, হুরানবনচিংবা অপীকপা ক্রাইমশিং তৌদুনা মহাক্না ক্রাইমগী লম্বীদা খোঙদারকখি।



বাসিরামনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিং উন্ননবা সঙ্গম বিহারদা থুংলখিবগী পাউ অমা ফংবদগী দিল্লি পুলিসনা মহাকপু ঙরাং থাংজগী অঙনবদা সঙ্গম বিহারদগী ফাখিবনি।

কেস অমদা হৌখিবা থা ৮ অসি মহাক চেন্দুনা লৈরকখি অমসুং মে থাদা মহাকপু প্রোক্লেম ওফেন্দর অমনি লাওথোকখি হায়না দিপ্যুটি কম্মিস্নার ওফ পুলিস রোমিল বানিয়ানা হায়খি।

বাসিরামনা পুলিসতা ফোঙদোকপদা মহাক অমসুং মহাক্কী গেং খূৎপু আকাশ অমসুং বিকাশনা উত্তর প্রদেশতা লৈবা মিরাজ কৌবা অমবু হাৎনবা মহাক্কী পোকমীন্নদবী মুন্নি বেগমনা লুপা ৬০,০০০ পীদুনা মখোয়বু নেকপনি হায়খি।

পোকমীন্নদবী মচন্নুপী মুন্নিনা মবুং থোকপা মিরাজবু সেপ্টেম্বের ৯, ২০১৭ দা সঙ্গম বিহারদা লৈবা বাসিরামগী য়ূমদা পুরকখি। মদুগী তূংদা আকাশ, বিকাশ, নীরাজ অমসুং অতোপ্পা নুপামচা অমগনা মিরাজবু য়ু থকপগী পার্টি তৌরসি হায়জিন্নরগা উমংগী মফম অমদা পুরকখি অমসুং মখৌরি মেৎলগা হাৎতোকখি। মদুগী মতুংদা মখোয়না মিরাজগী হকচাং অদু মৈ থাদোকখিবনি হায়খি।

মিরাজ কৌবা মীওই অদু হাৎখিবগী ক্রাইম অদু মীওই অমনা খোঙ হামনিংবদগী উমং অদুদা চঙশিল্লুবদা পুমথরবা হকচাং অদু থেংনরকপদগী চয়োল অমগী তুংদা পুলিসনা খঙলকখিবনি। ক্রাইম অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুনা ফোঙদোক্লকখিবা নহা অদু পুলিসনা ফাখ্রে। জনুৱারী ২০১৮ দা পুলিসনা চেন্নবশিং অদু ফাখ্রে অদুবু মদুগী মতুংদগী হৌজিক ফাওবা বাসিরামবুদি ফাবা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

মে ২৫ দা কোর্ট অমনা বাসিরামবু প্রোক্লেম ওফেন্দর অমনি হায়না লাওথোকখি অমসুং আইনগী মতূং ইন্না মহাক্কী রেসিদেন্সিয়েল প্রোপর্টি অদু শিল্ড তৌদুনা থমখি।

পনবা য়াবদি মীয়ান্না কিনরবা নুপী গেংষ্টর অসিনা সঙ্গম বিহারদা গভর্ণমেন্ট বোররৱেল খরা মাগী মখাদা থম্মী অমসুং মহাক্কী মচানুপাশিং য়াওনা ৱাতর সপ্লাই মেফিয়া অমসু চল্লাই। মখোয়গী মনুংদা অমদি মহারাষ্ট্রা কন্ট্রোল ওফ ওর্গনাইজ ক্রাইম এক্ট, ১৯৯৯ গী মখাদা বুক তৌখ্রে হায়না ওফিসার অদুনা হায়খি।

GAS TODAY

**Canchi Service Indane**
Booking : 03/07/18
Valid : 01/07/18
Stk : 306/5kg Available
Rate : Rs. 907/-
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**K & K Indane Service**
Booking : 26/07/18
Sl. No. 600
Valid : 25/07/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 11.00 a.m

**Imphal LPG Service**
Booking : 19/07/18
Sl. No. 300
Valid : 23/05/18
Stk : 306

**R & H Indane**
Booking : 01/06/18
Valid : 18/05/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**সনা-সুদোকু -১২৬৫ গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 8 | 1 | 5 | 6 | 7 | 4 | 2 |
| 7 | 2 | 1 | 9 | 3 | 4 | 6 | 5 | 8 |
| 5 | 4 | 6 | 7 | 8 | 2 | 3 | 9 | 1 |
| 8 | 5 | 2 | 3 | 4 | 1 | 9 | 7 | 6 |
| 4 | 1 | 3 | 6 | 9 | 7 | 2 | 8 | 5 |
| 9 | 6 | 7 | 5 | 2 | 8 | 1 | 3 | 4 |
| 2 | 3 | 9 | 8 | 1 | 5 | 4 | 6 | 7 |
| 1 | 7 | 5 | 4 | 6 | 3 | 8 | 2 | 9 |
| 6 | 8 | 4 | 2 | 7 | 9 | 5 | 1 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1266**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | 7 | | | 5 | 8 |
| 7 | 9 | | | | | | | |
| | | | | | | 9 | | 1 |
| | 1 | | | | | | | |
| | 2 | 7 | | | 4 | 6 | | |
| | 5 | 4 | 6 | | 3 | 8 | | |
| 6 | | | | | 2 | 7 | 4 | |
| | | | 5 | | | 1 | | |
| | 4 | | 1 | 8 | | | | |